

# সনালৈবাক স্পোর্টস






*সাউথ অফ্রিকা ক্রিকেট এসোসিয়েসন্না লৈবাক অসিগী ক্রিকেট কোন্ট্রেক্ট লিষ্টতগী লৌথোকখ্রবা ভেটরান ফাষ্ট বোল্লর দেল ষ্টেন*

*কোরোনাভাইরস লায়চৎনা কিহল্লবসু মহাক্কী থৌনা অমসুং হোৎনবা হনবা লৈতে হায়না ফোঙদোকখিবা ইন্দিয়াগী নুপা বোক্সর অমিত পানঘাল*

## আই ও সিগী প্রসিদেন্ট থোমাস বেক্কী মতুং ইন্না ওলেম্পিকস্ চহী ১ য়েথোকপদা য়ান্নরে : সিঞ্জো

*টোকিও, মার্চ ২৪ (এজেন্সি)ঃ*

চহী অসিদা জপাননা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোক্কনি তৌরম্বা ওলেম্পিক গেমস ইন্টরনেসনেল ওলেম্পিক কাউন্সিল প্রসিদেন্ট থোমাস বেক্কী মতুং ইন্না গেমস অসি চহী অমা য়েথোকপদা য়ান্নরে হায়না জপানগী প্রাইম মিনিষ্টর সিঞ্জো অবেনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।




জপানগী প্রাইম মিনিষ্টর সিঞ্জো অবেনা ইন্টরনেসনেল ওলেম্পিক কাউন্সিলগী প্রসিদেন্ট থোমাস বেক্কা টেলিফোন্দা শান্নখিবা ৱারোল পীরদুনা সিঞ্জোনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা কোরোনাভাইরস লায়চৎনা মরম ওইরগা হৌজিক ওইরক্লিবা মালেমগী চরাংনবা অসিদা গেমস অসি পাঙথোকপদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরগনি। মরম অসিনা গেমস অসি মতম খরা য়েথোক্লগা পাঙথোকপনা পূম্নমক্কী অফবা ওইগনি হায়না মহাক্কী ৱাফম থমখি।

শান্নরোইশিংবু অকিবা লৈতনা মপুং ফানা শান্নহন্নবগীদমক অমসুং গেমস অসিনা য়েংলিবা মীয়ামশিংবু তেক্ত–কায়দনা শরুক য়াহন্নবগীদমক চহী অমরোম য়েথোকপদা আই ও সিগী প্রসিদেন্ট অমসুং জপানগী প্রাইম মিনিষ্টর সিঞ্জো অবেনা য়ান্নখিবনি।

টোকিও ওলেম্পিক ওর্গনাইজরনা গেমস অসি মপুং ফানা পাঙথোক্লবা শেম শাবা পূম্নমক লোয়খ্রবনি। অদুবু কোরোনাভাইরসকী লায়চৎ অসিনা মালেমগী শান্নবগী লমদা পীরক্লিবা অকিবশিং অসিনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নহল্লে। পাঙথোক্কদবা থা খরদা ঙাইরবা গেমস অসি হান্না লেপখিবা মতমগী মতুং ইন্না পাঙথোক্লবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনখিবনি। অদুবু মপুং ফানা পাঙথোকপা ঙম্লোইদবগী ফিভম লাকপদগী তঙাইফদনা য়েথোকপগী ৱারেপ লৌখিবনি হায়না পাউ অসিনা মখা তারক্লি।

জপানগী কোনুং টোকিওগী গভর্ণর য়ুরিকো কোইকেনা পাউমীশিংগা তোঙান্না উন্নখিবদা সম্মর গেমস অসি কুমজা ২০২১ দা পাঙথোকপা তারগসু 'টোকিও ২০২০' গী মমিংদা চৎকনি হায়না মহাক্কী ৱাফম থমখি।

টোকিও ওলেম্পিক গেমস অসি য়েথোকপগা মরী লৈননা জপানগী প্রাইম মিনিষ্টর সিঞ্জো অবেনা য়ু এসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্দ ত্রপতা হয়েং অঙনবদা টেলিফোনদা ৱারি শান্নগনি হায়রি। লুচিংবা অনীনা হৌজিক মালেমগী ওইরক্লিবা ফিভম অসিদা মখোয়গী ওইবা ৱাফমশিং ফোঙদোক্লগনি হায়না জপানগী গভর্ণমেন্ট ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

পনবা য়াই, টোকিও ওলেম্পিক গেমস অসি মতম খরা য়েথোক্লবা ৱাফম কয়া মালেমগী শান্নবগী বোদি কয়ানা ইন্টরনেসনেল ওলেম্পিক কাউন্সিলদা প্রেসর পীদুনা লাকখিবনি।

কোরোনাভাইরস লায়চৎনা মরম ওইরগা মালেমগী মফম কয়াদা অৱাবা মায়োক্নরিঙৈ তাল্লক অসিদা টোকিও ওলেম্পিক গেমস পাঙথোকপা হায়বসি য়াম্না মতাং চাদে মরম অদুনা গেমস অসি মতম খরা য়েথোক্লবা ৱাফমসু জর্মনিগী ওলেম্পিক চীফ অলফোন্স হোরমেননা ঙসি অঙনবদা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা টোকিও ওলেম্পিক গেমসতা শরুক য়ানবগী পাঙথোক্কদবা ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট কয়াসু মতম কক্তনা য়েথোকখিবদগী ওলেম্পিক গেমস পাঙথোকপা য়াদবগী ফিভম অসি মায়োক্নরকখিবনি। মরম অসিদগী কানাদা ওলেম্পিক কম্মিটি য়াওনা নোররে, ব্রাজিল, ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং স্লোভেনিয়াগী বোদিশিংনা গেমস অসি মতম খরা য়েথোক্লগা পাঙথোক্লবা ৱাফম থমখিবনি।

কানাদা ওলেম্পিক কম্মিটিনা টোকিও ওলেম্পিক গেমস অসি হান্না লেপ্লখিবা মতমদা শোয়দনা পাঙথোকপা তারগনি লৈবাক অসিনা গেমস অসি শরুক য়াররোই হায়না ফোঙদোকপসু লৈখ্রবনি।

## সুট্টিং সেলেক্সন ট্রাইয়েল য়েথোকখ্রে

*ন্যু দিল্লি, মার্চ ২৪ (এজেন্সি)ঃ*

নেসনেল রাইফল এসোসিয়েসন (এন আর এ আই) না শীন্দুনা মথং থাদা পাঙথোক্কদবা নেসনেল সুট্টিং সেলেক্সন ট্রাইয়েল কোরোনাভাইরস লায়চৎনা মরম ওইরগা মতম কক্তনা য়েথোকখ্রে।

ন্যু দিল্লিদা লৈবা ডা. কর্নি সিংহ সুট্টিং রেঞ্জতা পাঙথোক্কদবা রাইফল অমসুং পিষ্টোলগী সেলেক্সন ট্রাইয়েলশিং অসি মালেমগী মফম কয়াদা অকিবা ফংনা শন্দোরক্লিবা কোভিদ–১৯ না মরম ওইরগা মতম কক্তনা য়েথোকখিবনি হায়না এন আর এ আইনা থাদোরকপা পাউ অসিনা পল্লি।

য়েথোকখ্রবা নেসনেল সেলেক্সন ট্রাইয়েল অসিগী অনৌবা মতম ফিভম অসি কূপ্না য়েংশিল্লবা মতুং লেপকনি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

## বি সি সি আই, আই পি এলগী ফ্রেনচাইজ ওনরশিংগী কোল কনফরেন্স তোকখ্রে

*ন্যু দিল্লি, মার্চ ২৪ (এজেন্সি)ঃ*

বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সি সি আই) গা ইনিদয়ান প্রেমিয়র লীগ (আই পি এল) গী ফ্রেনচাইজ ওনরশিংগা কনফরেন্স কোল তৌগনি তৌরম্বদু কোভিদ–১৯ না মরম ওইরগা এপ্রিল ১৫ ফাওবা য়েথোকখ্রে।







মালেমদা মমিং লৈরবা টি–২০ লীগ টুর্নামেন্ট অসি হৌজিক ওইরক্লিবা কোরোনাভাইরস লায়চৎনা মরম ওইরগা য়েথোকখ্রবনি। ফিভম অসি য়েরগা ইন্দিয়া লৈঙাক্না মার্চ ৩১ ফাওবা লোকদাউন তৌনবা লাওথোকখ্রবনি।

মীওইবগী পূন্সি অসিনা খ্বাইদগী মরুওইবনি, অতোপ্পনা অনীশুবনি। লায়চৎ অসিগী ফিভম অসি লৈবাক অসিদা লাকশিনবা ঙমদ্রি। মরম অসিনা করিগুম্বা ৱাফম অমত্তা খন্ননবা লৈতে হায়না কিংস এলবেল পঞ্জাবকী কো–ওনর নেস ৱাদিয়ানা ফোঙদোকখি।

মালেমগী খ্বাইদগী মমিং লৈরবা টি–২০ ক্রিকেট লীগ ইন্দিয়ান পেয়র লীগ অসিদা মমিং লৈরবা ক্রিকেট্টর ময়াম য়াওরিবনি। টিম ৮ না শরুক য়াদুনা পাঙথোক্কদবা টুর্নামেন্ট অসি চৎলিবা থা অসিগী ২৯ দগী মুম্বাইদা হৌদোক্লবা মতম লেপখিবনি। অদুবু কোরোনাভাইরস লায়চৎনা হৌজিক মালেমগী মফম কয়াদা হোংলক্লিবা ফিভম অসিদা য়েথোকখিবনি।

ফিভম অসিদা আই পি এল পাঙথোকপনা মরুওইদে। লায়চৎ অসি থিংনবা লৈঙাক অসিনা লৌখৎক্লিবা খোঙথাং অসি য়াম্না থাগৎনিংঙাইনি। ময়াম্না লায়চৎ অসিদগী ঙাকথোকপা ঙম্নবা হোৎনবনা অহানবা খোঙথাং ওইগদবনি হায়না নেস ৱাদিয়ানা মখা তাখি।

## জর্মনিনা ওলেম্পিকস্ য়েথোক্লবা হায়খ্রে

*বর্লিন, মার্চ ২৪ (এজেন্সি)ঃ*

কোভিদ–১৯ দা মালেমগী মফম কয়াদা শোকহল্লিক্লিবা অসিনা মরম ওইরগা চহী অসিদা জপান্না য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলেম্পিক গেমস অসি মতম খরা য়েথোকপগী তঙাইফদবা লৈরে হায়না জর্মনিগী ওলেম্পিক চীফ অলফোন্স হোরমেননা ঙসি মহাক্কী ৱাফম আই ও সিদা থমখ্রে।

মালেমগী লৈরিবা শান্নবগী কেলেন্দর অসিদা কোরোনাভাইরস লায়চৎনা শোকহন্দুনা টুর্নামেন্ট কয়া মাঙজৌননা য়েথোত্তুনা লাক্লি। মরম অসিনা টোকিও গেমস অসি মতম খরা য়েথোকপীনবা জর্মনিগী ওলেম্পিক বোদি অসিনা ফোঙদোরকখি। লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা জর্মনিদা পাঙথোক্কদবা টুর্নামেন্ট কয়াসু অথিংবা থমদুনা লাকখ্রবনি।

## য়ু ই এফ এনা মে থাদা পাঙথোক্কদবা চেম্পিয়ন্স লীগ অমসুং য়ুরোপা লীগকী ফাইনেলশিং য়েথোকখ্রে

*নিওন, মার্চ ২৪ (এজেন্সি)ঃ*

য়ুরোপকী ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টশিং চেম্পিয়ন্স লীগ অমসুং য়ুরোপা লীগকী মে থাদা শান্নগদবা ফাইনেলশিং কোরোনাভাইরস লায়চৎনা মরম ওইরগা য়ু ই এফ এনা মতম কক্তনা য়েথোকখ্রে।



চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ফাইনেল মেটচ ইস্তানবুলদা মে ৩০ দা শান্নগদবনি অদুবু লায়চৎ অসিনা হৌজিক ওইহলক্লিবা ফিভম অসিনা পাঙথোকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈতবদগী য়েথোকখিবনি।

নাকল অমরোমদা ৱুমেন'স চেম্পিয়ন্স লীগকী ফাইনেলসু মে ২৪ দা ভিয়েন্নাদা পাঙথোক্লবা মতম লেপখিবনি। অদুবু ফিভম অসিনা মরম ওইরগা কোন্না পাঙথোক্লগনি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি। টুর্নামেন্টশিং য়েথোকপগী ৱারেপ অসি য়ুরোপকী ফুটবোল ক্লবশিং কোভিদ–১৯ গী লায়চৎ মায়োক্নরকপদগী মতম কক্তনা য়েথোরকখিবনি। হিরম অসিগী মতাংদা য়ু ই এফ এনা য়ুরোপকী লৈরি ষ্টেকহোল্ডরশিংগা কনফরেন্স কোল তৌনদুনা কুপ্না তান্নরি।

চেম্পয়ন্স লীগকী ওইনা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিং মায় পাক্তুনা ফ্রান্সকী পেরিস সেন্ট জর্মেন, ইটালিগী অটলান্টা, স্পেনগী এটলেটিকো মাদ্রিদ অমসুং জর্মনিগী আর বি লৈপজিগ ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রবনি।

য়ুরোপা লীগকীসু প্রি–ক্বার্টর ফাইনেলগী অহানবা লেগকী মেটচ ৬ শান্নখ্রে। ৱুমেন'স চেম্পিয়ন্স লীগকী ওইনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা টিমশিং মশক খঙদোকখ্রে। ৱুমেন'স চেম্পিয়ন্স লীগকী ক্বার্টর ফাইনেলগী অহানবা লেগকী মেটচশিংনা মার্চ ২৫ দা পাঙথোক্কদবনি অদুগা অনীশুবনা এপ্রিল ১ দগী হৌগদবনি।

## কেন্দিদেট চেছ : রুশিয়াগী গ্রান্দ মাষ্টর ইয়ান নেপোমনিয়াটচিনা মাঙজিল থাদুনা চৎলি

*য়েকাটেরিমবর্গ, মার্চ ২৪ (এজেন্সি)ঃ*

কেন্দিদেট চেছ টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা মায় পাক্তুনা রুশিয়াগী গ্রান্দ মাষ্টর ইয়ান নেপোমনিয়াটচিনা পুন্না পোইন্ট ৪.৫ ফংদুনা পোইন্ট টেবলদা মকোক ওইদুনা চৎলি।



কেন্দিদেট চেছ টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা তরুকশুবা রাউন্দগী মেটচতা রুশিয়াগী গ্রান্দ মাষ্টর ইয়ান নেপোমনিয়াটচিনা অনীশুবা সিদেদ চাইনাগী দিং লিরেনবু ৩৫শুবা মুভতা মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিদা অনীরকশুবা ওইনা মায় পাকপা ঙমদুনা পোইন্ট ৪.৫ ফংদুনা টেবলগী মকোক্তা লৈবা ঙল্লি।

কেন্দিদেট টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ৬শুবা রাউন্দদা নেদরলেন্দসকী অনিস গিরিনা রুশিয়াগী কিরিল আলেকসিনকোবু মায়থিবা পীদুনা পোইন্ট ৩ য়ৌবা ঙমখি। ফ্রান্সকী শান্নরোই মেক্সিম লাগ্রেভনা ঙসি শান্নখিবা ৬শুবা রাউন্দদা চাইনাগী ৱাং হাওগা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট মখায় অমা ফংদুনা পুন্না পোইন্ট ৩.৫ ফংলগা অনীশুবা পোজিসন্দা লৈরি।

কেন্দিদেট চেছ টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ৬শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা য়ু এসকী গ্রান্দ মাষ্টর ফাবিয়ানো কারুৱানা অমসুং রুশিয়াগী গ্রান্দ মাষ্টর আলেকজেন্দর গ্রিসচুক দ্রো চৎতুনা পোইন্ট য়েন্নখি। মখোয় অনীনা ঙসিগী মেটচ অসি দ্রো চৎতুনা পোইন্ট ৩ / ৩ ফংমিন্নরগা পোইন্ট টেবলগী অহুমশুবা পোজিসন্দা পুন্না লৈমিন্নরি।

## স্কোটিস এফ এনা ট্রেনিং সেসন পূম্নমক থিংজিনখ্রে

*ইদিনবর্গ, মার্চ ২৪ (এজেন্সি)ঃ*

স্কোটলেন্দ ফুটবোল এসোসিয়েসন (এস এফ এ) না মালেমগী লৈবাক কয়াদা লেপ্পা লৈতনা শন্দোরক্লিবা কোভিদ–১৯ লায়চৎনা মরম ওইরগা লৈবাক অসিগী মখা চখরকপা ট্রেনিং সেসনশিং মতম কক্তনা থিংজিনখ্রে।

এস এফ এনা লৈঙাক্না পীরকখিবা পাউগী মতুং ইন্না ফুটবোলগী ট্রেনিং চখরম্বশিং অদু মতম কক্তনা অথিংবা থমজিনখিবনি হায়রি। এস এফ এনা লৈবাক অসিগী ফুটবোল ক্লবশিংদা পীখিবা ৱাফমদা ক্লবশিং অসি পুনশিন্দুনা লায়চৎ অসি মপুং থানা থিংবদা মতেং পাঙমিন্নবা মথৌ তারে হায়বা ৱাফমসু থমখি।

অপুনবা মীফম্না ৱারেপ লৌদুনা ওইরক্লিবা ফিভম অসিনা ক্লবশিং, ইমুং মনুংশিং, শান্নরোইশিং, মেটচ ওফিসিয়েলশিং, ষ্টাফশিং অমসুং মশান্না অসিগী শৌগৎপিরিবশিংনা লৈঙাক অসিনা পীরকখিবা গাইদলাইনশিং অসি মতুং ইন্না চৎপগী মথৌ তারি।

স্কোটিস ফুটবোল এসোসিয়েসন্না কোরোনাভাইরসকী অকিবা লৈবদগী লৈবাক অসিদা চখরকপা ফুটবোলগা মরী লৈনবা এক্টিভিটিজ পূম্নমক এপ্রিল ৩০ ফাওবা অথিংবা থমখ্রবনি। বোদি অসিনা মালেমগী ওইরক্লিবা ফিভম অসি কূপ্না য়েংশিল্লবা মতুং মখা তানা ২০১৯–২০ গী লেমহৌরিবা সিজন অসি অমুক মখা চখনবা মতম পূম্নমক্তা শেম শাদুনা লৈরি হায়রি।

## লিওনেল মেসি, কৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডো অমসুং নেমার মালেমগী খ্বাইদগী মমল য়াম্বা শান্নরোইশিংনি: ষ্টদি

*পেরিস, মার্চ ২৪ (এজেন্সি)ঃ*

আর্জেন্টিনাগী লিওনেল মেসি, পোর্টুগালগী কৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডো অমসুং ব্রাজিলগী নেমারনা মালেমগী ফুটবোল্লরশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী মমল য়াম্বা শান্নরোইশিংনি হায়না ফ্রান্স ফুটবোল মেগাজিননা থিজিনবদগী খঙবা ঙমখ্রে।










ষ্টদি অসিগী রিপোর্ট অসি শান্নরোইশিং অসিনা মখোয়গী থাগী ফংলকপা সেলরি অমসুং মমাঙ সিজন্দা ফংখিবা বোনস ময়ামগী মতুং ইন্না ফোঙদোরকপনি হায়রি।

ফ্রান্স ফুটবোল মেগাজিন ফুটবোল মেগাজিনগী পাউ অসিগী মতুং ইন্না আর্জেন্টিনা মচা স্পেনগী ক্লব বার্সেলোনাদা শান্নরিবা লিওনেল মেসিনা চহী অমদা ইনকম ওইনা ১৩১ মিলিয়ন য়ুরো দোলর ফংলি। মহাক্না চহী অমদা ফংবা শেনফম অসিনা ফুটবোল শান্নরোইশিংনা ফংবা ঙম্বা খ্বাইদগী য়াম্বা শেনফমনি।

মালেমগী খ্বাইদগী মমল য়াম্বা ফুটবোল শান্নরোইশিংগী মনুংদা পোর্টুগাল মচা ইটালিগী ক্লব জুবেন্টসতা শান্নরিবা কৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোনা ওইরি। মহাক্না চহী অমদা চাওরাক্না ১১৮ য়ুরো মিলিয়ন ফংবা ঙমদুনা অনীশুবা পোজিসন্দা লৈরি।

ফ্রান্সকী ক্লব পেরিস সেন্ট জর্মেনদা শান্নরিবা ব্রাজিল মচা নেমার মমাঙদা স্পেনগী ক্লব বার্সেলোনাদা শান্নরম্বদগী ৱার্ল্ড রেকোর্দ ফি ওইনা কুমজা ২০১৭ দা ফ্রান্সকী ক্লব পেরিস সেন্ট জর্মেনদা মখা তানা শান্নরকখিবনি। নেমারনা মালেমগী খ্বাইদগী মমল য়াম্বা ফুটবোল শান্নরোইশিংগী মনুংদা চহীদা য়ুরো ৯৫ মিলিয়ন ফংদুনা অহুমশুবদা লৈরি। স্পেনগী অতোপ্পা ক্লব রিয়েল মাদ্রিদতা শান্নরিবা ৱেলস মচা জেরেথ বেলনা চহীদা য়ুরো ৩৮.৭ মিলিয়ন ফংলগা মরিশুবা পোজিসন্দা লৈরি।

ফ্রান্স ফুটবোল মেগাজিন রিপোর্ট মতুং ইন্না স্পেনগী ক্লব এটলেটিকো মাদ্রিদকী কোচ দিএগো সাইমোননা কোচশিংগী মনুংদা চহীদা য়ুরো ৪০.৫ ফংদুনা কোচশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী মমল য়াম্বা ওইরি।

ইটালিগী ক্লব ইন্টর মিলানগী কোচ এন্টোনিও কোন্টেনা য়ুরো ৩০ মিলিয়ন ফংদুনা কোচশিংগী মনুংদা অনীশুবা খ্বাইদগী মমল তাঙবা ওইরি। ইংলেন্দগী ক্লব মেঞ্চেষ্টর সিটিগী কোচ ওইরিবা পেপ গুৱারদিওলানা চহী অমদা য়ুরো ২৭ ইনকম ফংদুনা মালেমগী মমল য়াম্বা কোচশিংগী মনুংদা অহুমশুবা পোজিসন্দা লৈরি।

## দেল ষ্টেন সাউথ অফ্রিকাগী কোন্ট্রেক্ট লিষ্টতা য়াওদ্রে

*জোহেন্সবর্গ, মার্চ ২৪ (এজেন্সি)ঃ*

সাউথ অফ্রিকাগী ভেটরান পেসর দেল ষ্টেন লৈবাক অসিগী কুমজা ২০২০–২১ গী নেসনেল কোন্ট্রেক্ট লিষ্ট লাওথোরকপদা য়াওরক্ত্রে।

মশাগী চহী ৩৬শুরবা সাউথ অফ্রিকাগী ফাষ্ট বোল্লর অসি শোকপদগী চহী ৩ রোম শান্নবা য়াওরুদ্রবা মতুং চহী অসিগী ফেব্রুৱারি থাদা লৈবাক অসিগী নেসনেল টিমদা অমুক য়াওবা ঙমখিবনি। মহাক মপুং ফানা ট্রেনিং তৌদুনা চহী অসিগী ওক্টোবর থাদা ওষ্ট্রেলিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা আই সি সি মেন'স টি–২০ ৱার্ল্ড কপ্তা শরুক য়াদবা পান্দম থমখিবনি।

সাউথ অফ্রিকাগী কোন্ট্রেক্ট লিষ্ট অসিদা লৈবাক অসিগী নহা ওইরিবা শান্নরোই কয়া হাপচিনখ্রে। মখোয়শিং অদুদি ফাষ্ট বোল্লর এনরিচ নোরটজে, ওল রাউন্দর দ্বেন প্রেটোরিয়স অমসুং বেটসমেন রাসি ভান দর দুসেননি। মখোয় অহুমক মমাঙ সিজন্দা পাঙথোকখিবা মেটচ মশীং য়াম্না শান্নবা ঙমদুনা য়াম্না এক্সপরিয়েন্স লৈরবা শান্নরোইশিংনি।

ক্রোসৱার্দ ৪৬৭ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| I | T | C | H | | S | L | O | B | | U | N | T | I | L |
| D | E | L | I | | C | I | T | Y | | N | O | R | S | E |
| E | N | U | M | E | R | A | T | E | | S | T | O | L | E |
| A | T | E | | N | E | R | O | | T | E | E | T | E | R |
| | | | V | I | E | | M | A | R | E | | S | T | Y |
| A | S | S | I | G | N | | A | M | I | N | O | | | |
| R | E | H | E | M | | S | N | O | B | | C | H | O | P |
| T | E | E | N | A | G | E | | R | E | S | T | O | R | E |
| S | P | A | N | | R | A | R | E | | T | A | P | E | R |
| | | | A | R | E | N | A | | E | R | N | E | S | T |
| A | R | E | | E | A | S | T | | L | I | E | | | |
| T | A | M | E | S | T | | R | E | A | P | | A | M | A |
| A | D | O | R | E | | B | A | R | T | E | N | D | E | R |
| L | A | T | I | N | | A | C | R | E | | R | E | E | F |
| E | R | E | C | T | | N | E | S | S | | A | S | K | S |




## কানাদাগী এঠলেট এন্দ্রি দি গ্রাসেনা টোকিও ওলেম্পিকস্তা মীৎয়েং থল্লি

*ৱাশিংটন, মার্চ ২৪ (এজেন্সি)ঃ*

কানাদাগী খ্বাইদগী লমজেল য়াঙবা এঠলেট এন্দ্রি দি গ্রাসেনা ২০২০ টোকিও ওলেম্পিক গেমসতা মহাক্কী স্প্রিন্ট অদু উৎথোকপা পামখি অদুবু কানাদা গেমস অসিদা য়াওররোই হায়না ফোঙদোকখ্রবনি।

মশাগী চহী ২৫ শুরবা কানাদাগী এন্দ্রি দি গ্রাসেনা ফোঙদোকখিবদা কুমজা ২০২১ দা টোকিও গেমস অসি পাঙথোকপা তারগসু মহাক মখা তানা হোৎনখিগনি। মহাক হৌজিক ফ্লোরিদাগী জেকসনভিল্লোদা লৈদুনা অকনবা ট্রেনিং চখরিবনি।

ঐহাক য়াওদনা টোকিও ওলেম্পিক গেমস অসি পাঙথোকখ্রবদি য়াম্না নুংঙাইতবা অমদি ওইরগনি হায়না ওলেম্পিক অমসুং ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপকী মেডল ৭ ফংখ্রবা কানাদাগী এন্দ্রি দি গ্রাসেনা মখা তাখি।

চহী অসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা টোকিও ওলেম্পিক গেমস অসি য়ু এসকী ষ্টার উসেন বোল্ট য়াওদ্রবনিনা মহাক্না গোল্ড মেডল শোয়দনা ফংগনি হায়বগী পান্দম থল্লিবনি। মালেমগী মফম কয়ানা লেপ্পা লৈতনা শন্দোরক্লিবা কোরোনাভাইরস লায়চৎকী অকিবা লৈবদগী মহাক্কী লৈবাক কানাদানা টোকিও গেমস অসি য়েথোক্লবা ইন্টরনেসনেল ওলেম্পিক কাউন্সিলদা অকনবা প্রেসর পীশিনখিবনি। গেমস অসি চহী অসিদা পাঙথোক্লবনি কানাদা য়াওররোই হায়বগী ৱাফমসু থমখি।